# HUEIYEN LANPAO
# হুয়েন লানপাউ
Refreshingly Reliable
The messenger of the masses


মণিপুর প্রেস ক্লবতা পাঙথোকখিবা ওল মণিপুর ৱর্কিং জর্নেলিষ্ট য়ুনিয়নগী ৪৭লকশুবা মপোক কুমওন থৌরমগা মরী লৈননা লৈখিদ্রবা পাউমীশিংগী মফমদা হৈকৎ লৈকৎ তমদুনা ইকায়খুম্নবা উৎখিবা




মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেম্লিগী হিল এরিয়াজ কম্মিটিগী চ্যেরমেন ওইনা লম্বা য়াওদনা খনখ্রবা ফুংয়ার এ সীগী এম এল এ কে লৈসিয়োনা থবক পায়বা হৌননবা থৌরাং তৌখিবগী শক্তম




থৌবাল সাবলতোংবদা লৈবা ৱ্রাইটর হোমদা নাশা মুক্ত ভারত কেম্পেনগী মেম্বরশিংনা শীল্লগা পাঙথোকখিবা ময়াই কাবা চিঙ্গাক্তগী ঙাকথোক্নবা এৱ্যেরনেস প্রোগ্রাম




ইম্ফাল ইষ্টকী দি সী ডা. রঙ্গিতাবলি ৱাইখোম অমসুং আই আর সী এস মণিপুরগী সেক্রেটরি ডা. আর কে নিমাইনা কোভিদ-১৯ থেংননবা চত্থরিবা এৱ্যেরনেসতা ভোলন্টিয়রশিংনা শীজিন্নগদবা টি-সার্ট লোঞ্চ তৌখিবা




Vol. 44, Issue No.173 | শগোলশেন, লাংবনগী থাশু | অপূনবা লামায় মশীং ৮ | HUEIYEN LANPAO, | Thursday, September 17, 2020, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 4.50

## স্পিকরনা য়াইফ পাউজেল পীরক্লি

ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর ১৬ (ঐচ এন এস) : লাইনীংথৌ পিসাতাও ঈরাৎপগী থৌরমগা মরী লৈননা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেম্লিগী স্পিকর ৱাই খেমচান্দনা মীয়ামদা য়াইফ পাউজেল পীরক্লি। স্পিকরনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, তাইবঙপান্দা লৈরিবা পূম্নমক লাইনিংথৌ পিসাতাওনা শেন্নকপা ঙাক্তনি। মীতৈ/মৈতৈ ফুরুপনা লাইনিংথৌ পিসাতাওবু খূৎ-শা হৈবগী লাইনিংথৌনি হায়না ঈরাৎনরি। থৌরম অসিনা লাকপদা মীপূম খুদিংমক্কী মফমদা য়াইফ পাউজেল পীরি হায়নসু চেরোল অসিনা ফোঙদোরক্লি।

## হিল এরিয়াজ কম্মিটিগী চ্যেরমেন খনখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর ১৬ (ঐচ এন এস) : হিল এরিয়াজ কম্মিটিগী মেম্বরসু ওইরিবা ফুংয়ার এসেম্লি কন্সটিট্যুয়েন্সিগী এম এল এ কে লৈসিয়োবু লম্বা য়াওদনা কম্মিটি অসিগী চ্যেরমেন ওইনা খনখ্রে।

মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেম্লিগী সেক্রেটরি এম রমনিনা থোকখিবা নোটিফিকেসন অমগী মতুংইন্না নৌনা চ্যেরমেন খল্লবা কে লৈসিয়োনা ঙসি নুংথিলদগী থবক পায়বা হৌরে হায়রি।

## অকক্নবা মতমদা ৱায়েল চত্থনবা তকশিনখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর ১৬ (ঐচ এন এস) : ক্রিমিনেল চার্জ মায়োক্নবা অমসুং করপসনগী কেসতা চেন্নবা পোলিটিকেল লিদরশিং অকক্নবা মতমগী মনুংদা ৱায়েল চত্থনবা সেন্টরনা সুপ্রিম কোর্টতা তকশিনখ্রে। হৌজিক হৌজিক এম পি/এম এল এ ওইরিবশিং অমসুং ওইরম্বশিংগী মথক্তা চাউরাক্লা কেস ৪,৪৪২ পন্দুনা লৈরি হায়দুনা হন্দক্তা সেন্টরনা সুপ্রিম কোর্টতা ফোঙদোকপা লৈখ্রবনি। স্পেসল কোর্ট লিংখৎপদা থোং মান্নহনবা ঙমদবা মরম্না কেস কয়ামরুম পন্দুনা লৈবনি হায়রি।

### পাউচে পুথোক্লোই

ঙসি সেপ্টেম্বর ১৭ লাইনিংথৌ পিশাতাও ইরাৎ থৌনীগী প্রেস ছুটি ওইবনা সেপ্টেম্বর ১৮দা পাউচে অসি পুথোকচরোই। - মেনেজর

### HL Poll

Q: Lok Sabhana MPsinggi tolop chada 30 hanthahannaba bill pass toukhibasi achumba khongthangni khanbra?

POLL CLOSES AT MIDNIGHT

Yes ☐ No ☐

Vote thadanabagidamak www.hueiyenlanpao.com da Visit toubiyu

NGARANG GI RESULT

Q: AC kharada pangthokkadouriba marakki meekhal mamangda minister reshuffle tourakpa yai haina khanbra?

Yes 21% No 79%

### ঈং-অশাগী পাউ

খ্বাইদগী শাবা ৩৩.৬৮ °C
খ্বাইদগী ঈংবা ১৬.২৯ °C
মণিপুরগী নোংজুগী চাং : ৬.১৯ এম এম
নুমিৎ থোকপা : অয়ূক পুং ৫.০১
নুমিৎ তাবা : নুংথিল পুং ৫.১৭

**গ্যাসকী পাউ লমায় ৩ দা**

### অস! লোইরেহে!

- এম পিশিংগী তোলোপকী চাদা ৩০ কক্লনি হায়রি নুংঙাইতেদো!



- এম পিসিবু থাদা তোলোপ কয়া ফংজাৎনো অদুদি হায়দেনে!

ঈ সী আইনা বাই ইলেক্সন তৌরগনি হায়বা ষ্টেটশিংগী কন্সটিট্যুয়েন্সি ৬৫গী মনুংদা মণিপুরগী এ সী ৯ য়াওদ্রে

# বাই ইলেক্সন তৌরগদবা এ সীশিংগী মনুংদা ৱাঙ্গোই, লিলোং, সাইতু, সিংহাট অমসুং ৱাংজিং তেন্থা য়াওরে

মাইবম ধনবির

ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর ১৬ (ঐচ এন এস) : ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়া (ঈ সী আই) না বিহারগী হাঙদুনা লৈরিবা পার্লিয়ামেন্টরি কন্সটিট্যুয়েন্সিশিং অমসুং ষ্টেট এসেম্লিগী মীখলগা পূন্না পাঙথোক্লগনি লাউথোকখ্রবা তোঙান-তোঙানবা ষ্টেটশিংগী নাখৈ শেংনা সিট হাঙলবা (ক্লিয়র ভেকেন্সি) এসেম্লি কন্সটিট্যুয়েন্সি ৬৫গী মনুংদা হৌজিক মণিপুরগী হাঙলিবা এসেম্লি কন্সটিট্যুয়েন্সি ৯ য়াওরমদ্রে অদুবু এ সী ৫দি মীখল পাঙথোকপা য়ারে হায়দুনা ফোঙদোরকখ্রে।

ঈ সী আইগী মায়কৈদগী থাসিগী ৪দা থোকখিবা চেরোল অমদা তোঙান-তোঙানবা ষ্টেটশিংগী বাই ইলেক্সন পাঙথোক্কদবা এসেম্লি কন্সটিট্যুয়েন্সি ৬৫ লৈরে হায়দুনা ফোঙদোরকখ্রবনি। বাই ইলেক্সন পাঙথোক্লগদবা অপূনবা সিট ৬৫ অসিগী মনুংদা বিহারগী অহাঙবা পার্লিয়ামেন্টরি সিটশিংসু য়াওরে। অদুগা বাই ইলেক্সন অসিনা বিহার লেজিসলেটিভ এসেম্লিগী মীখলগা পূন্না পাঙথোক্লগনি হায়খ্রবনি।




অদুবু বাই ইলেক্সন পাঙথোক্লগদবা ষ্টেটশিংগী ক্লিয়র ভেকেন্সিশিংগী সিট ৬৫ অসিদা মণিপুরগী ওইনা ২৯-কুম্বী, ৩৭-ককচীং, ২৮-থাঙ্গ, ৫৭-হেংলেপ (এস টি), ৭-অন্দ্রো, ৮-লমলাই, ২১-নাওরিয়া পাখঙলাকপা, ৫৩-তমেংলোং অমসুং ১৫-ৱাংখৈ এসেমব্লি কন্সটিট্যুয়েন্সিশিংদি য়াওদে হায়দুনা ঈ সী আইনা ফোঙদোরকখ্রে।

অদুম ওইনমক বাই ইলেক্সনশিং পাঙথোক্লগদবা ঈ সী আইনা ক্লিয়র ভেকেন্সিশিংনি হায়দুনা লৌরবা সিট ৬৫ অসিগী মনুংদা ২২-ৱাঙ্গোই, ৩০-লিলোং, ৫১-সাইতু, ৬০-সিংহাট অমসুং ৩৪-ৱাংজিং তেন্থা এসেমব্লি কন্সটিট্যুয়েন্সিশিংদি য়াওরে।

ৱাফমশিং অসি ঈ সী আইগী অন্দর সেক্রেটরি রজিভ রঞ্জননা খূৎয়েক পীদুনা থারকখিবা ওফিসল লেটর (নম্বর ৫০৯/৬১/ঈ সী আই/এল ঈ টি/এফ য়ু এন সী/জে য়ু দি/আর সী সী/২০২০) দা খঙহল্লকখিবনি। চেরোল অসিনা থাসিগী ১৪দা থারকখিবনি হায়রি।

ঙসি হায়কোর্ট ওফ মণিপুরগী জষ্টিস লানুসুংকুম জামির অমসুং জষ্টিস অহন্থেম বিমোলগী দিভিজন বেঞ্চতা বি জে পিগী এম এল এশিং ওইরম্বদগী রিজাইন তৌখ্রবা এক্স এম এল এ সামুয়েল জেন্দাই, টি থাংজালম হাওকিপ ...মখা লামায় ৩ কলম ৫

# খেলো ইন্দিয়া স্কিমগী মখাদা খুমন লম্পাক স্পোর্টস কমপ্লেক্স অপগ্রেদ তৌরগনি

ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর ১৬ (ঐচ এন এস) : খেলো ইন্দিয়া স্কিমগী মখাদা লুপা ক্রোর ১.২৯ চঙনা চহী ৪গী মনুংদা খুমন লম্পাক স্পোর্টস কমপ্লেক্স অপগ্রেদ তৌরগনি। অনৌবা ইনফ্রাষ্ট্রকচর কয়া হাপচিনবগা লোয়ননা স্পোর্টস সাইন্স সেন্টর হাংদোক্লগনি অমসুং মগুন লৈবা কোচ, ফিজিওথেরাপিষ্ট অমদি এক্সপার্ট কয়া থল্লগনি হায়রি।

লৈবাক্কী মফম পূম্নমক্তা তোঙান-তোঙানবা মশান্নশিং চাওখৎহন্নবগী পান্দমদা স্পোর্টস মিনিষ্ট্রিনা ষ্টেট অমদি য়ুনিয়ন টেরিটোরি খুদিংমক্তা শান্ন-খোৎনবগা মরী লৈনবা ইনফ্রাষ্ট্রকচর অপগ্রেদ তৌনবা থৌরাং লৌখৎলি। স্পোর্টস ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়াগী মখাদা খেলো ইন্দিয়া সেন্টর ওফ এক্সেলেন্স কয়াসু শেমগৎলি।

সেন্টর অমমমদা ওলিম্পিক গেমসকা মরী লৈনবা মশান্না ১৪ চাওখৎহনবগী থৌরাং লৌখৎকদৌরি। থৌরাং অসিগী মখাদা সেন্টরনা ষ্টেট অমদি য়ুনিয়ন টেরিটোরি খুদিংমক্তা মশান্না অহুম চাওখৎহন্নবা হোৎনবদা মপূং ফানা মতেং পাংগদৌরি।

অহানবা তাঙ্কক্কী ওইনা খেলো ইন্দিয়া ষ্টেট সেন্টর ওফ এক্সেলেন্স ৮ খনগৎপদা ইম্ফালসু য়াওরকখিবনি। মিজোরাম, টেলঙ্গনা, অরুনাচল প্রদেশ, নাগালেন্দ, ওরিষা, কর্ণাটকা অমসুং কেরলাদসু অমমম শেমগৎকদৌরি।

হীরম অসিগী মতাংদা য়ুনিয়ন মিনিষ্টর ওফ য়ুথ এফ্যেরস এন্দ স্পোর্টস কিরেন রিজিজুনা হায়খি মদুদি শান্নরোয়শিংবু অখন্নবা মশান্না খরদা মপূং ফানা হৈথোই-শিংথোইবা ঙমহন্নবগী পান্দমদা থৌরাং অসি লৌখৎলকপনি। থৌরাং অসিনা মরম ওইরগা কুমজা ২০২৮দা পাঙথোক্কদৌরিবা ওলিম্পিক গেমসতা ...মখা লামায় ৩ কলম ৭

# মীওই অমা শিখিবদগী কোভিদ-১৯না শিহনখিবা মীশিং ৪৮শুরে

ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর ১৬ (ঐচ এন এস) : মশাগী চহী ৭৫ শুরবা ইম্ফাল ইষ্টতগী মীওই অমা জেনিমসতা শিখিবগা লোয়ননা হৌজিক ফাওবদা কোভিদ-১৯না মরম ওইরগা ষ্টেট অসিদা শিখিবা মশীং পূন্না ৪৮-শুরে।

লৈখিদ্রবা মীওই অসি ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্তকী ক্ষেত্রি বেঙ্গুন অৱাং লৈকায়দগীনি। কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইবদগী মীওই অসি সেপ্টেম্বর ১৩গী নুমিদাংৱাইরম পুং ৬.১১ তাবদা জেনিমসকী কোভিদ ৱার্দতা পুখৎতুনা লায়কন্নরকখিবনি অমসুং ঙসি অয়ূক পুং ৫.০৫ তাবদা লৈখিদবনি হায়রি।

কোভিদ-১৯ কম্মন কন্ট্রোল রুমদগী নুমিদাংৱাইরম পুং ৫দা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, হৌখিবা পুং ২৪গী মনুংদা মীওই ১১০ নৌনা পোজিটিভ ওইরকপগা লোয়ননা ষ্টেট অসিদা কোভিদ-১৯গী অপূনবা কেস মশীং ৮৩২০ য়ৌরে। নৌনা পোজিটিভ ওইরবশিংগী মনুংদা জেনরেল পোপ্যুলেসনগী নুপা ৬৬, নুপী ২৭ অমসুং সেন্ট্রেল আর্মদ পুলিস ফোর্সকী পর্সনেল ১৭ য়াওরি।

রিমসকী ভি আর দি এলদা কেস ২০, জেনিমসতা ১২, আর দি ৱিংদা ৬, উখ্রুলদা ৪, আর এ টি ইম্ফাল ইষ্টতা ১৬, থৌবালদা ৯, শিজ হোস্পিটালদা ৩, আর এ টি রিমসতা ১, কাংপোকপীদা ৯, চুড়াচান্দপুরদা ১০, বিষ্ণুপুরদা ৪, জিবন হোস্পিটালদা ২, ববিনা দাইগ্নোষ্টিক্সতা ১১ অমসুং রাজ মেদিসিটিদা কেস ৩ থেংনখিবনি।

জেনরেল পোপ্যুলেসনগী ওইনা পোজিটিভ ওইরকখ্রবা মীওইশিং অদু ইম্ফাল ৱেষ্টতগী ২৬, ইম্ফাল ইষ্টতগী ২৯, থৌবালদগী ১৮, নোনেদগী ৩, কাংপোকপীদগী ১, উখ্রুলদগী ২, চুড়াচান্দপুরদগী ১, ১০ অমসুং বিষ্ণুপুরদগী ৪নি। মীওই ১৪ অতোপ্পা ষ্টেটশিংদগী হল্লকখিবনি। লেমহৌরিবা মীওই ৭৯দি মপান্দা চৎলুবগী ট্রাভেল হিষ্ট্রি লৈতবা ঙাক্তনি হায়রি।

হৌখিবা পুং ২৪গী মনুংদা মীওই ১০৩ নাবা ফগৎলকপদগী দিসচার্জ তৌখি হায়না পল্লদুনা চেরোল অসিনা হায়, নৌনা দিসচার্জ তৌখ্রবা মীওইশিংগী মনুংদা সেন্ট্রেল আর্মদ পুলিস ফোর্সকী পর্সনেল ২৩, রিমসতগী ২, জেনিমসতগী ৬, কোভিদ ক্যের সেন্টর লমদিং থৌবালদগী ১০, নাইলিট চুড়াচান্দপুরদগী ১১, লনভা চুড়াচান্দপুরদগী ১, য়ুনাক্কোদগী ৫, লম্বোই খোংনাংখোঙদগী ৩৫, সেনাপতিদগী ৪, জিরিবামদগী ১ অমসুং কাংপোকপীদগী ৫ য়াওরি।

ষ্টেটকী অপূনবা কোভিদ-১৯গী কেস মশীং ৮৩২০ লৈবগী মনুংদা জেনরেল পোপ্যুলেসনগী ৬৪৫৮ অমসুং সেন্ট্রেল সিক্যুরিটি পর্সনেল ১৮৬২নি। নারুবদগী ফগৎলকপা মীশিং ৬৫২১গী মনুংদা জেনরেল পোপ্যুলেসনগী ৪৯৬৭ অমসুং সেন্ট্রেল সিক্যুরিটি পর্সনেল ১৫৫৪ য়াওরি। এক্টিভ কেস ১৭৫১ লৈবদা জেনরেল পোপ্যুলেসনগী ১৪৪৬ অমসুং সেন্ট্রেল সিক্যুরিটি পর্সনেল ৩০৫নি। ফগৎলকপগী চাং চাদা ৭৮.৩৭ ওইরে।

# কোভিদ-১৯গী পেসেন্টশিংগীদমক মপানগী কম্পেনিশিংদগী হীদাক ওর্দর তৌখ্রে : জয়ন্তকুমার

ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর ১৬ (ঐচএনএস) : কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইবদগী লায়েংলিবা মীওইশিংদা পীজনবা মপানগী তোঙান-তোঙানবা কম্পেশিংদগী হীদাক-লাংথকশিং ওর্দর তৌরে হায়না হেল্থ এন্দ ফেমিলি ৱেলফ্যের মিনিষ্টর এল জয়ন্তকুমারনা ফোঙদোকখ্রে।

বিষ্ণুপুরগী লৌকোয় পাৎতা কোভিদ ক্যের সেন্টর শঙ্গাবগী থৌরমদা চীফ গেষ্ট ওইনা শরুক য়াখিবা মিনিষ্টরনা হায়খি, হেল্থ দিপার্টমেন্টনা হীদাক লাংথকশিং লৈনবা থৌরাং লৌখৎপা লোইরে। ষ্টেট অসিদা হীদাক লাংথক্কী অৱাৎপা লৈগনি হায়বগী মীপাইনীংঙাই ওইদ্রে।



বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ততা নর্সিং কোলেজ অমা লিংখৎনবা থৌরাং তৌরি হায়না পল্লদুনা মহাক্না হায়খি, মরী লৈনবা দিষ্ট্রিক্ট ওথোরিটিনা করম্বা মফমদা নর্সিং কোলেজ হাংদোকপদা খুদোংচাগদগে হায়বদুগী মতাংদা মথৌ তাবা থৌরাংশিং লৌখৎপা মতম ...মখা লামায় ৩ কলম ৭

# অমজুগী ৪৭ শুবা মপোক কুমওন থৌরম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর ১৬ (এজেন্সি): ওল মণিপুর ৱর্কিং জর্নেলিষ্ট য়ুনিয়ন (অমজু) গী ৪৭ শুবা মপোক কুমওন থৌরম ঙসি ইম্ফালগী মেজোর খুলদা লৈবা মণিপুর প্রেস ক্লবতা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেম্লিগী স্পীকর ৱাই খেমচান্দ, এদ্যুকেসন মিনিষ্টর টি ঐচ রাধেশ্যাম অমদি অমজুগী প্রসিদেন্ট বিজয় ককচিংতাবম্না মথংশিংনা চীফ গেষ্ট, গেষ্ট ওফ ওনর অমদি প্রসিদেন্ট ওইনা শরুক য়াখি।

ঙসিগী থৌরম অদুগা মরী লৈননা জর্নেলিষ্ট মেমোরিয়ল পিল্লর অমসু মায়খুম হাংদোক্তুনা লৈখিদ্রবা জর্নেলিষ্টশিংগী মফমদা ইমুং-মনুংগী মীওইশিং য়াওনা থৌরম অদুদা শরুক য়াবা লাকখিবশিংনা হৈকৎ-লৈকৎ তমদুনা ইকাই খুম্নবা উৎখি।

থৌরম অসিগা মরী লৈননা হৌখিবা জুলাই ২ দা ইনভাইরনমেন্ট এন্দ ক্লাইমেট চেঞ্জ দিপার্টমেন্ট অমদি অমজুনা খুৎশম্নরগা শীন্দুনা পাঙথোকখিবা ‘ৱান দে মিদিয়া কেম্প্যন ওন সেভ নম্বুল’ হায়বা থৌরমদা মকোক মথং তাখিবা পাউমীশিংদা মনা-মথুম পীদুনা ইকাই খুম্নবা উৎখি।

থৌরম অদুদা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেম্লিগী স্পীকর ৱাই খেমচান্দনা ফোঙদোকখিবদা খুন্নাই অমা, লৈঙাক অমা কন্নবা হোৎনবদা মীদিয়াগী ...মখা লামায় ৩ কলম ৩

# হায়কোর্টকী জষ্টিস ১ কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরব্রা

ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর ১৬ (ঐচএনএস) : ইম্ফালগী মন্ত্রি পুখ্রিদা লৈরিবা হায়কোর্ট ওফ মণিপুরগী হৌজিক লৈরিবা চীফ জষ্টিস য়াওনা জষ্টিস মঙাগী মনুংদা অমা নোবেল কোরোনাভাইরস (কোভিদ-১৯) পোজিটিভ ওইরব্রা হায়বগী ৱাফম ষ্টেটসিগী লিগেল সর্কল খরদা ঙাঙনরক্লে।

ৱাফম অসিগী মতাংদা তাংদাংবা অমা খঙদোক্নবা পাউচে অসিনা হোৎনখিবদা ফংলকপা রিপোর্টশিংনা হায়বদা করিগুম্বা কোর্ট অসিগী জষ্টিস অসিনা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরল্লগদি লায়না লাইচৎ অসি মঙোন্দা শন্দোরক্লিবসি অতোপ্পা ষ্টেটতগী লাক্লগা মহাক্কী বেঞ্চতা ইলেক্সন পিটিসন নম্বর ৪ ওফ ২০১৭তা পিটিস্নর ডা. নিমাইচান্দ লুৱাংগী মায়কৈদা লেপ্লখিবা সিনিয়র কাউন্সেল অমদগী ওইরম্বা য়াই হায়রি।

সিনিয়র কাউন্সেল অদু এরোপ্লেন তোংদুনা ইম্ফালদা লাক্ত্রিঙৈগী মমাঙদা কোভিদ-১৯গী টেষ্ট তৌখি। মদুদা মহাক নেগেটিভ ওইবদগী রিজল্টকী কোপিদু পুরগা ইম্ফাল এয়রপোর্টতা থুংলখিবনি। মহাক্না মফমসিদা লৈরিঙৈদা ইম্ফালগী মমিং চৎলবা হোটেল অমদা লৈখি। অদুগা থাসিগী ১০ অমসুং ১১দা হায়কোর্টতা লাক্তুনা জষ্টিস অসিগী বেঞ্চতা ৱায়েল চত্থরিবা ইলেক্সন পিটিসন অসিগী মতাংদা এপিয়ারেন্স তৌরমখি হায়রি।

কেস অসিগীদমক মহাক লাক্ত্রিঙৈগী মমাঙদা পিটিস্নরগী মায়কৈদা লেপ্লকখিবা লোকল কাউন্সেল অমগী চেম্বরগী কাউন্সেলশিংগসু ফম্মিন্নদুনা কেসকা মরী লৈনবা ৱারী-ৱাতাইশিং শানখি হায়রি। মসিগী মথক্তা লোকল চেম্বর অসিগী নুপী কাউন্সেল অমনা ফনেক শেৎপা উবদগী সিনিয়র কাউন্সেল অসিনা মহাক্কী লোয়নবীসু ফনেক য়াম্না পাম্মী হায়দুনা লৈবা চৎমিন্নরুইসু হায়রি। মদুনা মরম ওইরগা ইম্ফালদা লৈবা লোকল চেম্বর অসিগী কাউন্সেলশিং ঙসি কোভিদ-১৯ টেষ্ট তৌরুবদা অতৈ লোইনা নেগেটিভ ওইরগা নুপী কাউন্সেল অদুদি পোজিটিভ ওইরক্লে হায়রি।

অমরোমদা, অসামদগী লাকখিবা সিনিয়র কাউন্সেল অসিনা কেস লেপ্লম্বা বেঞ্চ অসিগী জষ্টিস অসি য়াওনা মহাক্কী হায়কোর্টকী ষ্টাফশিংসু ঙসি কোভিদ-১৯গী টেষ্ট তৌখি। হয়েংনা ...মখা লামায় ৩ কলম ৫

# ৱাই জয়কুমার এন পি পিদগী চহী ৬ তান্থোক্লে : থাংমিনলেন

ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর ১৬ (ঐচএনএস) : উরিপোক এ সীগী এম এল এসু ওইরিবা দেপ্যুটি চীফ মিনিষ্টর ৱাই জয়কুমার নেসনল পিপলস পার্টি (এন পি পি) দগী চহী তরুক তান্থোক্লে হায়না এন পি পি মণিপুর ষ্টেট য়ুনিটকী প্রসিদেন্টনি হায়রিবা থাংমিনলেন কিপগেননা ফোঙদোরক্লি।

হীরমসিগা মরী লৈননা পাঙথোকখিবা পাউগী মীফম অমদা থাংমিনলেন কিপগেননা হায়খি, এন পি পিগী টিকেটতা মীখল থেংনদুনা মায় পাক্লক্লগা মিনিষ্টর ওইরিবা এম এল এ মরিমক পার্টিগী পুৱারী মশক খঙদবগুম তৌই। পার্টি অসিগী নেসনল প্রসিদেন্ট কোনরাদ সংমানসু পার্টিগী হৌরকফম খঙদবগুম তৌরি। পার্টি অসি লমদম অসিদগী হৌদোকখিবনি। পার্টি অসিগী চৎন-কাঙলোনশিং থুগাইরকপগীদমক ৱাই জয়কুমার পার্টি অসিদগী তান্থোকপগী ফিরেপ লৌবনি হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

অমরোমদা, এন পি পি মণিপুর ষ্টেট য়ুনিটকী জেনরেল সেক্রেটরি (এদমিনিষ্ট্রেসন) থোংকম হাওকিপনা ঙসি ওর্দর অমা থোক্তুনা এম এল এ ৱাই জয়কুমারবু এন পি পিদগী চহী তরুক তান্থোকখ্রে। এন পি পি মণিপুর ষ্টেট য়ুনিটকী প্রসিদেন্ট অমসুং পার্টি অসিগী দিসিপ্লিনরি কম্মিটিনা পীরকপা রেক্কমেন্দেসনগী মতুংইন্না ...মখা লামায় ৩ কলম ১

# খঙন-চানবা লৈতবশিংসু অরাইবা মওংদা লোন ফংহন্নবা হোৎনহন্নীংই : ইবোমচা

ডা. খাইদেম অথৌবা

ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর ১৬ (ঐচ এন এস) : মরৈবাক-মরমদম নুংশিজবগী ৱাখল্লোল থবক্তা ওন্থোক্তুনা হোৎনরক্লিবা মীরোল কয়া থোরকপা উবদা য়াম্না নুংঙাই হায়না য়েলহৌমিশিংগী ফজরবা নাৎকী শক্তমশিং তোঙান-তোঙানবা আর্ট ফোর্মদা দিজাইন তৌদুনা টি-সর্ট অমদি ফিজেৎ-লৈতেংগী ওইবা পোৎলম কয়া পুথোক্লিবা মশাগী চহী ৩২ খক্তা ঙাইরিবা লাইনিং সোল্যুসনগী প্রোপাইটর য়ুমখায়বম ইবোমচানা পাউচে অসিদা ফোঙদোরক্লি।

লাইনিং সোল্যুসন্না কুমজা ২০১৬তগী কোংবা-শিংজমৈ লম্বীদা




লৈবা ৱাংখৈ তোকপম লৈকায়দা ইচম-চম্না তোঙান-তোঙানবা য়েলহৌ ফুরুপ ৩৬ হেনবগী নাৎতা য়ূম্ফম ওইবা ফিজেৎ লৈতেং, মেমোন্টো অমদি মিতম কয়া শাদুনা লাকখি। হৌজিক-হৌজিক লাইনিং সোল্যুসনদা পুথোক্লিবা পোৎলম অয়াম্বা মণিপুরী য়েলহৌমিশিংগী ফজরবা নাৎতা য়ূম্ফম ওইরগা মপুং ওইনা পুথোকপনি। অতোপ্পা লাইনিং লাইশোনগী ওইনদি পুথোকপা লৈত্রি। অদুমকপু ওর্দর লাক্লগদি শারগা পুথোকপগী খুদোংচাবা লৈ। অতোপ্পা কলচরগী পোৎলম কয়াদি হান্নদগী মরাং কাইনা শাদুনা মার্কেতা ফংলি। অদুবু মণিপুরগী ওইবা অশেংবা নাৎতা য়ূম্ফম ওইবা পোৎলমশিংদি কনা অমত্তনা শাদুনা পুথোকপা লৈত্রি। মরম অদুনা মণিপুরগী তোপ-তোপ্পা শক্তম অমা মালেমদা শক তাক্নবগী পান্দমদা হায়রিবা থৌরাং অসি লৌখৎলকখিবনি। লৈঙাক্কী ওইবা থৌরমশিংদা মপান্দগী শরুক য়াবা লাকপা মীওইশিংদা নাৎকী ওইবা খুদোল পীনবগীদমক মফম অসিদগী পুদুনা চৎখিবা কয়া অমসু য়াওরে। ইন্দিয়াগী প্রসিদেন্ট ওইরম্বা লৈখিদ্রবা প্রনব মুখর্জিদসু মফম অসিদা শাবা খুদোল পোৎ খূৎশিন্নখিবা লৈখ্রে।

অতোপ্পা লাইনীংগা মরী লৈনবা ...মখা লামায় ৩ কলম ২


@1.80% অপীকপা শেন্দোইদা @1.80%

**সনা Bandhop লৌজরি**

ঙসি মালেমগী ওইনা Covid-19 না মরম ওইদুনা খম থেংনা ৱানরবা মতমসিদা মণিপুর মীয়ামগীদমক মতেং খরদং ওইরসু পাঙজবা ওইনা অপিকপা শেন্দোইদা সনা বন্দান লৌজরি।

সনা সন 1 দা ₹ 7000 দগী ₹ 8000 ফাওবা লৌবা য়াগনি।

শেন্দোইনা 100 দা 1.80% খক্তনি।

করিগুম্বা অদোমগী হান্না অচৌবা শেন্দোইদা সনা Bandhop থম্বখিবা লৈরবদি ঐখোয়না হন্দোকপীরগা, ঐখোয়গী অপিকপা শেন্দোইদা অমুক থম্বগী খুদোংচাবসু পীজরি।

For details, Please contact
Govindajee Gold Mortgage,
2nd Floor, Imphal Diagnostic Centre Building,
Palace Compound, Govindajee Road,
Near Andro Parking, Imphal East
# 7085917479

@1.80% Only.

HL-B/6330/26th aug to 25th sept


ঈ-পাউগা মরী লৈনবশিংগী টেলিফোন নম্বর ০৩৮৫-২৪৪৫১০৬, এদভর্টিজমেন্টগীদমক ০৩৮৫-২৪৪০৭৭১,২৪৪৫১০৪ অমসুং রিদরস ক্যের নম্বর +৯১-(০)-৯৭৭৪৮০৩১৪৫